

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, JUNE 19, 2019 PAGE 7

*শুপ্নগী মিনট ২০গী মনুংদা স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নবগীদমক সাইন তৌখ্রবা ব্রাজিল মচা রোদ্রিগো গোজ*

*কুমজা ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু কাটারদা ওইহনখিবগী মতাংদা ফ্রেঞ্চ পুলিসনা ৱাহং পাউহংবগীদমক ফাজিনখ্রবা ফ্রান্সকী লিজেন্দ মাইকেল প্লাটিনি*

## আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ঃ ইংলেন্দনা আফগানিষ্টানবু রন ১৫০ দা মায়থিবা পীখ্রে

ICC CRICKET WORLD CUP ENGLAND & WALES 2019



*মেঞ্চেষ্টর, জুন ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ২৪শুবা মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক ইংলেন্দনা আফগানিষ্টানবু য়াম্না হেনবা মওং দা রন ১৫০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। ইংলেন্দনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৬ আওট ওইরগা রন ৩৯৭ লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী ওপনর রন ২৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা জোনি বেয়রষ্টো অতোপ্পা ওপনর জো রুটকা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ১৫০ লাম্থোকহনখি।

জোনি বেয়রষ্টো বোল ৯৯ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৯০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। জো রুটসু বোল ৮৮ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৫ য়ৈরম্লগা রন ৮৮ দা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা ইওন মোরগাননা আফগানিষ্টানগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ৭১ দা সিক্স ১৭ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ১৪৮ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ৮শুবা বেটসমেন মোইন আলিসু বোল ৯ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১৪৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

আফগানিষ্টানগী বোল্লিংদা দাৱিস ঝাদ্রান অমদি গুলবাদিন নাইবনা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৩। ৩ আওট তাহনবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

আফগানিষ্টাননা মায় পাক্নবগী রন ৩৯৮ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ আওট ওইরগা রন ২৪৭ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দনা আফগানিষ্টানবু রন ১৫০ দা মায়থিবা পীরমখি।

আফগানিষ্টানগী ওপনর নুর আলি রন অমত্তা লৌরমদনা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকপা রাহমতজ সাহনা অতোপ্পা ওপনর গুলবাদিনগা পার্টনর ওইদুনা অপুনবা স্কোর ৫০ লাম্থোকহনখি। গুলবাদি মশাগী রন ৩৭ শুরকপদা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন রাহমট রন ৪৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা রন লৌখিবশিং অদুদি ৪শুবা বেটসমেন হাসমাটুল্লাহ সাহিদি বোল ১০০ মায়োক্নবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৭৬ লৌরমখি। ৫শুবা বেটসমেন অসঘর অফঘাননা রন ৪৪ লৌরমখি।

আফগানিষ্টানগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শান্নখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৪৭ দা লৈখিবদগী মেটচ অদু ইংলেন্দনা আফগানিষ্টানবু রন ১৫০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইংলেন্দগী বোল্লিংদা জেফ্রা আর্চর অমদি অদিল রসিদনা আফগানিষ্টানগী বেটসমেন ৩ / ৩ আওট তাহনখি।

## এফ আই ঐচ ৱুমেন্স সেরিজ ফাইনেলসঃ ইন্দিয়ানা ফিজিবু পাঙ্গল ১১–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*হিরোশিমা, জুন ১৮(এজেন্সি)ঃ*



জপানগী সিটি হিরোশিমাদা চত্থরিবা এফ আই ঐচ ৱুমেন্স সেরিজ ফাইনেলস ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা পুল 'এ' গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না ফিজিবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঙ্গল ১১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখোয়দগী থাক হন্থনা লৈরিবা ফিজিগী শান্নরোইশিংবু লাকশিন্দুনা থমখি। মেটচকী ৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লালরেমসিয়ামীনা অহানবা পাঙ্গল চনখি।

শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা কেপ্টেন রানি রামপালনা পাঙ্গল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মোনিকানা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা পাঙ্গল চনখ্রবা মতুং মিনট অমা লৈরগা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ভন্দনা কাটারিয়ানা পাঙ্গল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোই গুরজিৎ কোরনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ৫–০ দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা মমাঙদা পাঙ্গল অমা চনখ্রবী গুরজিৎ কোরনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ৬–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২১ অমদি ২২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মমাঙদা পাঙ্গল অনী চনখ্রবী গুরজিৎ কোরনা পাঙ্গল অনী অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা ফিজিবু ৮–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু পাঙ্গল য়াম্না হেন্না মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অদুমক খুদুম চন্দুনা লাকখি। ফিজিগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা পাঙ্গলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মোনিকানা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ১০–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লিলিমা মিঞ্জনা পাঙ্গল অমা চনশিনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ৩ খক ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই নবনিৎ কোরনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ফিজিবু পাঙ্গল ১১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পুলগী মকোক ওইদুনা এফ আই ঐচ ৱুমেন্স সেরিজ ফাইনেলসকী হিরোশিমা ইদিসন অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পুল 'বি' গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়ানা চিলিবু পাঙ্গল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা পুলদা তামিন্নরিবা লৈবাক অনী চিলি অমসুং জপানগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল্ড দিফরেন্সতা ফজবা হেনখিবদগী সেমি ফাইনেল দাইরেক্ট য়ৌখ্রে।

রুশিয়াগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঙ্গলশিং অদু শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা স্বেঝেন্টসেভা অহানবা, সাইদোভাইয়ানা মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা অনীশুবা, গোলুভেবানা পাঙ্গল অমা, য়ুসকোভানা মেটচকী ৫৩শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমা অমদি মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা বোরদোলিমোভানা পাঙ্গল অমগা চনবা ঙমখি।

চিলিগী মায়কৈদগী চনখিনবা পাঙ্গল অনী অদু মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা অহানবা অমদি ৪৬শুবা মিনটতা গারসিয়ানা অমা চনখি।

## ফাইনেলদা ঝারখন্দ অমদি অরুনাচল শান্নরগনি

*কট্টক, জুন ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা সব–জুনিয়র গালর্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ফাইনেলদা ঝারখন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশ লম্বা তৌনরগনি।


ঝারখন্দনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঙ্গল ৩–৩ দা লৈনখি। এক্সত্রা টাইম হাপ্লগা শান্নবদসু অহেনবা পাঙ্গল লৈনখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌনবদা ঝরখন্দনা বিহারবু পাঙ্গল ৪–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অরুনাচল প্রদেশনা গুজরাটপু পাঙ্গল ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। অরুনাচলগী পাঙ্গল অহুম্মক টালো অনানা চনখিবনি।

## ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থ খক্তমক টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙম্লি

*ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসতা মকোক থোংবা সট্টলর ওইরিবা কিদম্বী স্রিকান্থ খক্তমক ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস রেঙ্কিংদা টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙম্লি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সট্টলরশিং টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখিদ্রে।



নুপাগী সট্টলর মমাঙগী সিজনদা টুর্নামেন্ট ৬ শরুক য়াবদা ৫ দা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অসি নত্তনা টাইটল লৌবা অমত্তা ঙমখিদে। গুৱাঝৌ রেঙ্কিং অসিদা স্রিকান্থ হৌজিক–হৌজিক ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা নম্বর ৱান পোজিসনদা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন কৃষ্টিনা ওইরি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা সট্টলর ওইরিবী পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱাল মমাঙগী সিজনদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদবদগী টোপ টেনগী মখাদা হাইখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলস রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে, অদুগা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা ১২শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। সাইনা ইন্দোনেসিয়ান ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। নুপীগী সিঙ্গলস রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

মমাঙ চহীগী ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর সমির ভর্ম ৩০শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## রোয় কৃষ্ণ এ টি কে দা য়াওখ্রে

*কট্টক, জুন ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

এ লীগকী সুপরষ্টার রো কৃষ্ণ ইন্দিয়ান সুপর লীগকী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা এটলেটিকো দি কোলকটাদা য়াওখ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা ফিজি ইন্টরনেসনেল শান্নরোই রো কৃষ্ণ অহানবা ওইনা লাবাসা এফ সি দা শরুক য়াদুনা শান্নরকখি। অদুবু কুমজা ২০০৮ দা ন্যু জিলেন্দগী ক্লব ৱাইটাকেরেদা চহী অসিগী জনুৱারী থাদগী য়াওরকখিবনি।

রোয় কৃষ্ণ নেদরলেন্দসকী ক্লব পি এস ভি ইন্ধোভনদা নৌনা সাইন তৌবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরম্বনি। অদুবু মহাক্কী য়ুরোপ চৎপগী অপাম্বা লৈখিদবা অমদি ইংলিশ লোন নীংথিনা খঙদবদগী ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব এটলেটিকো দি কোলকটাদা নৌনা শান্ননবা সাইন তৌনখিবনি।

রোয় কৃষ্ণনা ন্যু জিলেন্দগী ক্লব ৱাইটারে য়ুনাইটেদতা শরুক য়াদুনা মেটচ ১৮ শান্নবদা গোল ১৬ চনবা ঙমদুনা সিজন অসিদা খ্বাইদগী মায় পাকপা ওইখি।

রোয় হৌখিবা সিজন অনীদা মেটচ ৪৪ শান্নবদা গোল ৪১ চনবা ঙমদুনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু ফংবা লৈখি। রোয় এ টি কেগী স্কাৱাদতা টিম অসিগী হান্নগী ফোরৱার্দ শান্নরোই জোবী জষ্টিনগা পাদুনা টিম অসিগী শান্নবগী খোঙজেল হেনগৎহনবগা লোয়ননা টিম অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা চিলিনা জপানবু পাঙ্গল ৪–০ দা থোইখ্রে



*সাউ পাওলো, জুন ১৮(এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা চত্থরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'সি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইরম্লবা চিলিনা জপানবু পাঙ্গল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চিলি অমদি জপাননা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী চিলিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখ্রবসু পাঙ্গল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লাকখি।

চিলিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখ্রবসু জপানগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা পাঙ্গল চলহন্দনা থমখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৪ খক ঙাইরবা মতমদা চিলিগী শান্নরোই ইরিক পলগরনা পাঙ্গল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা চিলিগী শান্নরোই ইক্কার্দো ভরগাসনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্গল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা চিলিগী শান্নরোই এলেক্সিস সঞ্চেজনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

চিলিনা অহুমশুবা পাঙ্গল চনখ্রবা মতুং মিনট অমা লৈরগা টিম অসিনা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঙ্গল চনখিবা ইক্কার্দোনা পাঙ্গল অমগা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৪–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঙ্গল চনশিন্নখিদবদগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদু চিলিনা জপানবু পাঙ্গল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

## রোদ্রিগো গোজ রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরগনি

*মাদ্রিদ, জুন ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈবা মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লবশিংনা য়াম্না পাম্নরিবা রোদ্রিগো গোজ স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব রিয়েল মাদ্রিদতা শান্ননবগীদমক মিনট ২০গী মনুংদা সাইন তৌখ্রে।

মশাগী চহী ১৮ দা ঙাইরিবা রোদ্রিগো গোজ রিয়েল মাদ্রিদতা য়ুরো ৪৫ মিলিয়নদা শান্ননবগী সাইন তৌখি। রোদ্রিগোনা ফোঙদোকখিবদা ঐ মমাঙদগী হৌরগা রিয়েল মাদ্রিদতা শান্ননিংবগী অপাম্বা ফাওখি। ওফর অদু লাকপদা ঐহাক্না মতম মাঙহন্দনা মিনট ২০গী মনুংদা ক্লব অসিদা শান্ননবগীদমক সাইন তৌখিবনি হায়না রোদ্রিগো গোজনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঐহাক ব্রাজিল মচা অমা ওইনা রোবিনহো অমদি নেমারগা শান্নবগী মওং অসি খরদি মান্ননা চৎলি। নেমারদি য়াম্না মমিং লৈরবা শান্নরোইনি, মরম অদুনা মহাক্কী মরমদা মহাক ৱা ঙাঙলোই হায়খি।

## মিনর্ভা পঞ্জাবনা অমদি চেন্নাইন এফ সি গা শান্নরগনি

*গুৱাহাটি, জুন ১৮ (এজেন্সি)ঃ*

এ এফ সি কপকী হয়েং ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা মিনর্ভ পঞ্জাব অমদি চেন্নাইন এফ সি শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ 'ই' দা চেন্নাইন এফ সিনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা মিনর্ভ পঞ্জাবনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

হয়েং চেন্নাইননা মিনর্ভ পঞ্জাবকা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিনা মখোয়গী অনীশুবা হোম মেটচ ওইরি। মেটচ অসি চেন্নাইননা মায় পাক্লবদি টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবগী খুদোং চাবসু লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ অমত্তা মায়থিদনা লাকখিবা মিনর্ভ পঞ্জাবনা এ এফ সি কপকী টাইটল লৌবদা অকনবা মীৎয়েং থল্লি।

চেন্নাইন অমদি মিনর্ভ পঞ্জাব চহী অসিগী এপ্রিল ৩ দা শান্নখিবদা পাঙ্গল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি। টুর্নামেন্ট অসিনগী চৎন–পথাপকী মতুং ইন্না গ্রুপ অমগী মকোক থোংবা ক্লব অদুনা ইন্টর জোন প্লে এফ সেমি ফাইনেলদ শান্নবগী খুদোংচাবা লৈরিবনি।

MARU BARBER
Estd. Men's Only 2018
Barber Shop
NH2 MALOM TULIYAIMA
NEAR OIL DEPOT-795003
8837335122
MARU BARBER
We the staffs of MARU BARBER shop warmly welcoming all the customers. Please get an experience of stylish, hygienic work with a good hospitality.
Men's only
Timing 7am-7pm
*Special discount on facial for Grooms only
SL/4930/15 days14/6/19

M/S IMPHAL PRESS
Screen Printing & Rubber Stamps Works
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI
Lengsinbirakshi
* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal
* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing
20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal
লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি
M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 8974359246
SL/4918/P/30 days-12-6

### ক্রোসৱার্দ ১৯৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | R | A | L | | S | W | E | D | E | | S | T | U | B |
| V | E | T | O | | C | A | R | O | L | | L | I | S | A |
| A | N | T | S | | A | D | I | O | S | | A | M | I | D |
| L | O | O | S | E | R | | E | R | E | C | T | I | N | G |
| | | R | E | V | S | | | | | H | E | D | G | E |
| T | E | N | S | E | | L | E | A | S | E | D | | | |
| O | R | E | | S | P | A | R | S | E | R | | A | R | M |
| G | A | Y | | | A | B | A | T | E | | | D | A | Y |
| A | S | S | | P | R | E | S | E | N | T | | O | P | T |
| | | | P | E | E | L | E | R | | E | A | R | T | H |
| S | T | A | R | T | | | | | N | A | P | A | | |
| T | I | R | E | S | O | M | E | | E | M | O | T | E | D |
| O | D | E | S | | W | E | A | V | E | | L | I | V | E |
| P | A | N | E | | E | R | R | E | D | | L | O | I | N |
| S | L | A | T | | D | E | N | T | S | | O | N | L | Y |